# জোকোভিচ-নিশিকোরিনা নুপাগী, হালেপ-কিজনা নুপীগী রোজরস কপকী ফাইনেলদা শান্নরগনি





টোরোন্টো, জুলাই ৩১ ঃ

ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোভাক জোকোভিচনা মফম অসিদা চথরিবা রোজরস কপকী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা ফ্রেঞ্চমেন গেল মোনফিলসপু ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

অমরোমদা জপানগী কৈ নিশিকোরিনা স্বিসকী অনীশুবা সীদ ষ্টান ৱারিঙ্কাবু অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচ অমদা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

ৱর্ল্ড নম্বর ৱান জোকোভিচনা মোনফিলসগা মায়োক্নখিবদা মায় পাকপগী রেকোর্দ ওইনা ১২-০ দা লৈরি। জোকোভিচনা ফাইনেলদা কৈ নিশিকোরিগা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি।

নিশিকোরিনা অহানবা মেচতা ২-৫ দা নেমনা লৈখ্রবা মতুং ৱারিঙ্কাবু অভিভা সেন্টরদা পাঙথোকখিবা অহানবা সেমী ফাইনেলদা ৭-৬ (৬), ৬-১ দা মায়থীবা পীখি।

জোকোভিচনা হায়খি, মসি মতম চানা লাকপা হায়বদুনি। হৌখিবা চয়োল খরদা টোপ ফোর্মদা লৈরিবা প্লেয়র অমগা মায়োক্নবদা করি থোক্লগদগে হায়বদু নংনা কৈদৌঙৈদসু খঙলোই। মহাক্না মমাঙ চয়োলদা ৱাশিংটনদা মায় পাকখি অমদি মফম অসিদা অমুক লাকখি অমদি মহাক্কী অয়াম্বা মেচশিং য়াম্না লায়না মায় পাকখি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

জোকোভিচনা নিশিকোরিগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবদা ৯-২ দা মায় পাকপগী রেকোর্দ লৈরি। মসিদা চহী অসিগী অঙনবদা মিয়ামিদা পাঙথোকখিবা হার্দ কোর্ট ফাইনেলদা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা মেচতা জোকোভিচনা অরোইবা ওইনা মায় পাকখি।

কৈ নিশিকোরিগা মায়োক্নদুনা শান্নগদবা অসি অরায়বা অমদি ওইরোই। মহাক টোপ ফাইভতা মশানা শেমজদুনা টোপ তরাগী প্লেয়র মনুংদা চনবা ঙমখি হায়না জোকোভিচনা হায়খি।

নিশিকোরিনা মহাক্কী এ টি পি মাষ্টরস ১০০০ গী টাইটল লৌনবগীদমক হোৎনরিবনি। মহাক্না টোরেন্টোগী ফাইনেল চঙলক্লিবসি মহাক্কী অহুমশুবা ওইনা ফাইনেল চঙলকপসু ওইরি।

অমরোমদা মঙাশুবা সীদেদ রোমানিয়াগী সিমোনা হালেপনা মফম অসিদা চথরিবা রোজরস কপকী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা জর্মনিগী এঞ্জেলিগ কার্বরবু ৬-০, ৩-৬, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি। হালেপনা মেচ অদু মায় পাকখিবদা পুং অমগা মিনিট ৩৮ চঙখি।

ৱিমব্লেদনগী জুলাই ৫ দা পাঙথোকখিবা লাষ্ট আইটকী মেচতা কার্বরগী মখুৎতা মায়থীহৌখিবা মশাগী চহী ২৪ শুরবী অসিনা হার্দ কোর্ট ইভেন্ট অসিগী ফাইনেলদা অমেরিকাগী ১০শুবা সীদেদ মেদিসন কিজগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

কিজনা অনসীদেদ ক্বালিফাইয়র স্লোভাকিয়াগী ক্রিষ্টিনা কুকোভাবু ৬-২, ৬-১ দা থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচতা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি। মেচ অদু মিনিট ৫১ চঙনা শান্নদুনা মায় পাকখি।

পনবা য়াই, নোভাক জোকোভিচনা মফম অসিদা চথরিবা রোজরস কপকী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা টোমাস বার্দিচবু ৭-৬ (৮/৬), ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

জোকোভিচনা মেচ অদু মায় পাকখিবদা পুং অনী চঙখি অমদি মহাক্না বার্দিচগা মায়োক্নখিবা মেচতা থংনা থংননা ১২ রক শুবা ওইনা মায় পাকপসু ওইখি। চেক অসিনা হৌজিক টোপ ফাইভ ওপোনেন্টকী মখুৎতা থংনা থংননা মায়থীবা ১৭ রকশুবসু ওইখি।

গেল মোনফিলসনা কনাদাগী মরিশুবা সীদেদ অমদি হোম ফেভোরাইট মিলোস রাওনিকপু ৬-৪, ৬-৪ দা মিনিট ৭২ চঙনা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা সীদ ষ্টান ৱারিঙ্কানা মহাক্কী অহানবা সেমী ফাইনেলদা খোঙ থাঙজিনবা ওইনা সাউথ অফ্রিকাগী কেভিন এন্দরসনবু ৬-১, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি।

কৈ নিশিকোরিনা হান্নগী টোপ টেন প্লেয়র ওইরম্বা বলগেরিয়ন গ্রিগোর দিমিট্রোভপু ৬-৩, ৩-৬, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

অমরোমদা মোন্ট্রিলদা চথরিবা রোজরস কপকী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা এঞ্জেলিগ কার্বরনা দারিয়া কাসাটকিনাবু ৬-২, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট ফোরদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

অতোপ্পা নুপীগী মেচ অমদা রোমানিয়াগী সিমোনা হালেপনা মাপনশুবা সীদ সভেটলানা কুজনেটসোভাবু ৩-৬, ৬-১, ৬-১ দা মায়থীবা পীখি।

# ওলেম্পিক গেমসকী টিকেট চাদা ৮০ য়োনখ্রে

ব্রাসিলিয়া, জুলাই ৩১ ঃ

রিও ওলেম্পিক্সকী টিকেট চাদা ৮০ য়োনবা ঙমখ্রে হায়না থাংজ নুমিৎতা ওর্গনাইজরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা য়োনখ্রিবা টিকেট অসি ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা চাদা৯৬ য়োন্নবা থমখিবা পান দম অদুমক য়ৌবা ঙমদ্রি হায়না পাউজী এজেন্সি অমনা রিপোর্ট তৌরক্লি। গেমস অসিগীদমক হৌজিক টিকেট মিলিয়ন ৬.১ য়োনগদবা ৱাৎলি।

ওর্গনাইজরশিংনা ফোঙদোরকপা মতুং ইন্না ওলেম্পিক অসিগী টিকেট য়োনখিবগী রেভিন্যু অসি চাদা ১৬ ওইগনি হায়না পারি। মসি ওগষ্ট ৫ দগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা নুমিৎ ১৭ নি অসিগীনি। ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিনা ওর্গনাইজরশিংগা পুন্না মীফম অমা গেমস অসি হৌদোক্কদবা ইরাই নুমিৎকী মাঙওইননা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ফিগর অসি রিপোর্ট তৌখি। তৌখিবা রিপোর্ট অদুদা হৌজিক লোইশিন দনা লৈরিবা গেমস ভিলেজ অসিগী কন্সট্রক্সন ৱার্কশিংসু পুথোক্তুনা খন্নখি।

মীফম অদুদা দেলিগেসন খরদি থেংনা থুংলখিবদগী য়াওবা ঙমখিদে। মীফম অদু লোইরবা মতুংদা রিও ২০১৬ কী প্রসিদেন্ট কার্লোস নিজমান্না হায়খি, রিও ওলেম্পিক্সকীদমক শেম শাবশিং মায় পাক্না চঙশিল্লি। মসিদা লৈরিবা অৱাৎ-অপাশিং নুমিৎ খরনিগী মনুংদা অথুবদা লোইশিন্দুনা গেমস অসি ঈৎ-তপ্না অমদি মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনগনি। তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদগী লাক্কদৌরিবা এথলেটশিংগী পেন্ননবা পীফম থোকপা খুদোংচাবশিং ফংহন্ননবা শেম শাবা লোইরে। ঐখোয়না পীগদৌরিবা খুদোংচাবশিংদা এথলেট অমত্তনা কমপ্লেন লাক্তনবা থবক পায়খৎলি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, গেমস ভিলেজদা থা অসিগী অরোইবা চয়োলদগী এথলেটশিং থুংলবা হৌরে। গেম ভিলেজগী বিল্ডিংদা মৈ চাকপা অমদি নুংঙাইতবা ফীভম খরা থেংনখ্রবসু মদুনা গেমস অসিদা অকায়বা পীরোই। ওষ্ট্রেলিয়াগী টিমনা মখোয়না লৈরিবা কাদা মৈ হৌরকপদগী অতোপ্পা কা অমা শিন্দোক্নবা হায়রকপা অদু ঐখোয়না থবক ওইনা পাঙথোকখ্রে। মখোয়না গেম ভিলেজদা মৈখু শিজিন্নহন্দনবা থাঙ্গৎলকপা ৱাকৎ অদু লুম্না লৌই। অদুমক থবক্তা ওন্থোক্নবা হোৎনগনি।

গেমস অসিদা মথৌ তাবা পোৎলমশিং ফংহনবতা নত্তনা এথলেটশিংনা কিনা লৌনরিবা জিকা ভাইরসতগী ঙাকথোক্নবা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। মসিদা মীপাইনিংঙাই লৈত্রে অমদি কোনদোমশিং মতীক চানা পীনবা থবকসু পায়খৎলে হায়না ফোঙদোকখি।

# রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াবা য়ারোই হায়না অথিংবা থমখ্রবা রসিয়াগী এথলেট ১১৭ কী লিষ্ট ফোঙখ্রে



রিও ওলেম্পিক্স গেমস ২০১৬ তা শরুক য়ারুনবগীদমক ব্রাজিল পাঙখ্রবা রসিয়াগী এথলেটশিং

মোস্কো, জুলাই ৩১ ঃ

লাক্লিবা ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্সতা দোপিংগা মরী লৈননা রসিয়াগী ৱেঠলিফটিং টিমবু শরুক য়াবা য়ারোই হায়দুনা অথিংবা থমখ্রে হায়না মশান্না অসিগী গভর্নিং ফেদরেসন্না হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টরনেসনেল ৱেঠলিফটিং ফেদরেসন (আই দব্লিয়ু এফ) না থাদোকখিবা চেরোল অমদা হায়, ৱর্ল্ড দোপিং এজেন্সি (ৱাদা) না কম্মিসন তৌবা রিপোর্টতা রসিয়াগী কম্পিটিটর খরগী মমিং পল্লি। মখোয় রসিয়াদা ষ্টেটনা ঙাক্লৌ পীদুনা অরানবা চথরে হায়বগী খুদম চাংদম ফংলে হায়না উখোকখ্রবনি। রসিয়নশিং অসিনা কয়ারক হন্না মশান্না অসিগী ইন্টিগ্রীটিদা অকায়বা পীদুনা লাকখিবনি। অদুবু মখা তানা ইকায় খুম্নবা ঙাকপা ঙম্নবা মতিক চাবা থবক পায়খৎনবা অহকপা পেনালটি পিবা মথৌ তাবনা পিখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

অথিংবা থমখ্রবা রসিয়াগী লিফটরশিং অদুদি নুপাগীদা ওলেগ চেন, অদাম মালিগোভ, রুসলান অলবেগোভ, দেভিদ বেদজায়ন অমদি আর্টেম ওকুলোভনানি। নুপীগীদনা টাটিয়ানা কালিয়িনা, টিমা টুরিভা অমসুং অনাষ্টাসিয়া রোমানোভানি।

কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্স গেমসদা অলবেগোভনা ব্রোঞ্জ মেদল অমদি কালিরিনানা সিলভর মেদল ফংখি। ওকুলোভানা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

অমরোমদা রসিয়াগী লিফটর নিপান য়াওনা লৈবাক অসিগী রিও গেমসদা শরুক য়াদনবা অথিংবা থমখ্রবা এথলেট ১১৭ শুখ্রে। অথিংবা থমখ্রবশিং অদুগী মনুং সাইক্লিষ্ট অহুমসু য়াওরি। অদুগা ট্রেক এন্দ ফিল্ড এথলেট ৬৭ তি হান্ননা ইন্টরনেসনেল এসোসিএসন ওফ এথলেটিক্স ফেদরেসন (আই এ এ এফ) না অথিংবা থমখ্রবনি অমদি মখা তানা কম্পিটিটর ৪৪ অমসু রসিয়ন ওফিসলশিংনা ব্রাজিলগী লিষ্টতগী লৌথোকখি।

লৈবাক অসিগী শান্নরোয়শিং ওলেম্পিক্স গেমসতা শরুক য়াবা নৎত্রগা য়াদবা হায়বদু মালেমগী ওইনা লৈরিবা স্পোর্টস ফেদরেসনশিংনা ওইনা লেপহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রবা মতুং অথিংবা মায়োক্নখ্রবা রসিয়াগী এথলেটশিং অদুদি ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মঙারক ওইবদা নত্তনা কুমজা ২০১২ গী লন্দন গেমসতা মিটর ২০০ গী ব্রেষ্টষ্ট্রোক্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা য়ুলিয়া ইফিমোভা, কুমজা ২০১২ গী লন্দন গেমসকী মিটর ৪x১০০ গী ফ্রিষ্টাইল রিলেদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবা ভলাদিমির মোরোজো ৬(২৪), কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং ওলেম্পিক্সতা সিলভর মেদল লৌখিবদা নত্তনা কুমজা ২০১২ গী লন্দন গেমসতা মিটর ৪x১০০ গী ফ্রিষ্টাইল রিলেদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবা নিকিটা লোবিন্ট সেভ (২৭), মিটর ৪x২০০ গী ফ্রিষ্টাইল রিলেগী মিখাইল দোভগালমুক (২১), মিটর ৫০ গী ফ্রিষ্টাইলগী নাটালিয়া লোভটসোভা (২৮), মরাথোন স্বিম্মর অনাষ্টাসিয়া ক্রাপিভিনা (২১), কুমজা ২০১৩ গী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদালিষ্ট দারিয়া উষ্টিনোভা (১৭), ইভান বালান্দিন (২৭), অনাষ্টাসিয়া কারা বেললাচিকোভা (৩১), ইভান দোদলিভালোভ (৩৪), দানিল এন্দ্রিস্কো (২৬), অলেকজেন্দর বোগদাচিন (২১), অলেক্সে ভিকুলিন (২৩), অলেকজেন্দর কোরনিলোভ (৩১), দমিট্রিকুজনেটসো ৬(২৬), অলেকজেন্দর কুলেচ (৩৩), ইলেনা লেবেদেভা (৩৭), ইলেনা ওরিঅবিনস্কায়া (২২), জুলিয়া পোপোভা (২৮), ইকাটোরিনা পোটাপোভা (২৬), অলেভাটিনা সাভকিনা (৩০), পাঙেল ফাফোনস্কিন (৩০), মেক্সিমে টেলিন্টসিনে (২৫), অনাষ্টসিয়া টিখানোভা (২২), অলেকজেন্দ্রা ফেদোরোভা (২৯), এলিক্তা চাটাগুইনা (২৩), সেসিওন ইআগানোভ (২৫), কসেনিয়া ইঅমারেভা (২৩), অনাষ্টাসিয়া ইঅনিনা (২২), কুমজা ২০১২ গী লন্দন গেমসকী সিলভর মেদল লৌখিবা টাটিয়ানা কালিরিনা, কুমজা ২০১৫ গী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবা অনাষ্টাসিয়া রোমানোভা (২৪), ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অনীরক ওইখ্রবা ভিক্টর লেবেদেভ (২৮) কুমজা ২০১২ গী ওলেম্পিক্সকে ২ গী মিটর ২০০ গী চেম্পিয়ন অলেকজেন্দর দয়াচেস্কো (২৬), দবল ওলেম্পিক চেম্পিয়ন সি ৪ মিটর ২০০ গী এন্দ্রে ক্রেটর (২৩), ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মঙারক ওইখ্রবা অমদি ওলেম্পিক্সকী সি ২ মিটর ১০০০ গী ব্রোঞ্জ মেদল্লিষ্ট এলেক্সে কোরোভালকোভ (২৪), ইলেনা অনীয়ুলিনা, নাটালিয়া পোদোলস্কায়া (২২), মাক্সিম কুষ্টেভে, মোর্দন পেন্টাথলেট ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অহুম্লক ওইখ্রবা ইলিয়া ফ্রোলোভ, ভোল্লিবোল প্লেয়র অলেকজেন্দর মার্কিন (২৬), পভেল সোজিকিন, ওলগাজাবেলিনস্কায়া, ইলনুর জাকারিন অমদি সর্গে লিনোভনি।

# ইন্দিয়াগী প্লেয়রশিংগী অফবা লিচৎনা রিওদা মীয়ামগী থম্মোয় শুক্ষৎহনগদবনি : প্রাইম মিনিষ্টর





ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩১ ঃ

রিও পাঙখ্রবা ইন্দিয়াগী কন্টিঞ্জেন্টবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নোংমাইজিং নুমীৎতা য়াইফ-মঙ্গোল পীখিবগা লোয়ননা লাক্লিবা ওগষ্ট ৫ দগী হৌগদৌরিবা ওলেম্পিক্স গেমসদা মখোয়না মেদল লৌবখক নত্তনা গেমস মনুংদা উৎকদৌরিবা লিচৎ অদুনা থম্মোয়বু শুক্ষৎহনগনি হায়বগী থাজবা থমখ্রে।

মোদিনা নোংমাইজিং নুমিৎতা মেজর ধ্যানচান্দ নেসনেল ষ্টেদিয়মদা রিওদা পাঙথোক্কদবা মল্টি-স্পোর্ট ইভেন্টতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা কন্টিঞ্জেন্টবু হরাউ তয়াম্বা ফোঙদোক্লদুনা 'রন ফোর রিও' মিংথোনবা লমজেল অমা লমথাখি।

ইভেন্ট অদুদা রিওগী ক্বালিফাই ওইখ্রবা ওলেম্পিয়নশিংগী মাক্স উপ্পা স্কুলগী অঙাং লিশিং কয়ানা ধ্যানচান্দ নেসনেল ষ্টেদিয়মদগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়ম ফাওবা চেনখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, ঐখোয়গী এথলেটশিংনা রিওদা চৎখ্রে, ইন্দিয়ানা ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াবখক নত্তনা মখোয়না উৎকদৌরিবা লিচৎ অদুনা মরু ওইবনি। শান্নরোয়শিং অসিনা গেমস চথরিঙৈ মনুংদা মখোয়গী লিচৎ অদুনা মীয়ামগী থম্মোয় শুক্ষৎহনগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা ঐঙোন্দা লৈ। মখোয়না ইন্দিয়াগী হেরিটজবু মালেমগী মীয়ামদা উখোক্কনি হায়বা ৱাফম থমখি।

মালেমগী মফম পুন্নমক্তগী লাক্তুনা মফম অদুদা লৈরবা এথলেটশিংগা লোয়নরিবা ইন্দিয়ন কন্টিঞ্জেন্টগী মেম্বরশিংদা ঐনা মসি খঙহনবা পাম্মী। অদুবু নংগী নতুংদা ইন্দিয়াগী মীওই ক্রোর ১২৫ না লেপ্পুনা লৈরি।

ইন্দিয়ানা নিং তম্বগী ৭০ শুবা থৌরমগীদমক রিও গেমস চথরিঙৈ মনুংদা ঐখোয়না মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎকনি অমদি মতম অসিমক্তদা রিওদসু ঐখোয়গী লৈবাক্কী ফিরালসু লিংখৎকনি হায়না ঐনা থাজৈ হায়না মোদিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না লৈবাক অসিগী নহাশিংদা কুমজা ২০২০ ওলেম্পিক্সকীদমক কন্না হোৎননবা খঙহল্লদুনা টোকিয়োদা মেম্বর ২০০ দগী হেনবা কন্টিঞ্জেন্ট অমা থানবা মিৎয়েং থল্লি হায়খি।

ঐখোয়না পৱর পায়বা চহী অনী খক্তমক ঙাইরিবনা হন্দক্কী অসিদা ঐখোয়দা মতম মরাং কায়না ফংখিদে। মথংগী ওলেম্পিক্স গেমস অসি টোকিয়োদা কুমজা ২০২০ দা পাঙথোক্কনি অমদি হৌজিক্তগী হৌনা লৈবাক অসিগী নহা ওইরিবশিংনা টোকিয়োগীদমক অকনবা মওংদা শেম শাদুনা পান্দম ফংনবা হোৎননবা অপিল তৌখি। ঐখোয়না ২০২০ ওলেম্পিক্সতা এথলেট ২০০ হেন্না থানবা থবক পায়খৎকনি হায়না মোদিনা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা হায়, লৈবাক অসিগী শান্নরোয়শিংদা হৈথোই-শিংথোইবা, অচেৎপা ফিরেপ লৈবা অমদি অচৌবা মঙলানশিং লৈরি। ঐখোয়গী গভর্ণমেন্টনা মথংগী চহী মরি অসিদা পীবা য়াবা মতেং পুন্নমক পীগনি হায়না ঐনা ৱাশক্লি। ঐখোয়না ক্বালিফাইয়িং ইভেন্টতা অহেনবা মিৎয়েং থমগনি হায়খি।

স্পোর্টসতা মায় পাকপা অমদি মায়থীবা হায়বসিনা মায় পাকপগী খল ওনবা য়ারোই। খ্বাইদগী চাউবা স্পোর্টিং ইভেন্ট অসিগীদমক শান্নরোয় ১১৯ না অকনবা মওংদা হোৎনদুনা ট্রেনিংশিং তৌখি। মখোয়না লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরক্ক বগীদমক শান্নগনি অমদি মসি মখোয়গী খ্বাইদগী চাউবা চাংয়েংনি। লৈবাক অসিগী মীওই ক্রোর ১২৫ না ঐখোয়গী শান্নরোয় ১১৯ গীদমক ঈশ্বরগী মফমদা অফবা ওইহনবীনবা থৌনিগনি হায়না ঐনা থাজবা থল্লি অমদি মচু অহুমগী ফিরালবু ৱাংনা পাইহনগনি হায়বগী থাজবা থমখি।

# আর্চরশিংনা ইন্দিয়াবু রিওগী গেম ভিলেজদা লুচিংখি



রিও দি জানৈরো, জুলাই ৩১ ঃ

রিও ওলেম্পিক্স পাঙথোক্কদবা চয়োল অমত্তা ঙাইশিল্লক্লবা অসিদা ইন্দিয়াগী কন্টিঞ্জেন্টনা গেম ভিলেজদা থুংবা হৌখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী আর্চরশিংনা গেম ভিলেজদা মেম্বরশিংবু লুচিংখি।

ইন্দিয়াগী আচর্রশিংনা জুলাইগী থাখাইদগী রিওদা থুংদুনা মফম অদুগী ঈশিং নুংশিৎকা চাশিন্ননবগীদমক ট্রেনিংশিং তৌদুনা লাকখিবনি। আর্চর টিমনা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগীঅহানবা কন্টিঞ্জেন্ট মেম্বর ওইনা থুংখিবনি।

ইন্দিয়াগী অপুনবা কন্টিঞ্জেন্টকী তঙ্খায় অমদি হান্ননা মফম অসিদা থুংখ্রে। অদুগা ইরাই নুমিৎতা ইন্দিয়াগী নুপা অমদি নুপীগী হোকি টিমসু থুংখি। ইন্দিয়ন কন্টিঞ্জেন্টকী চীফ দি মিসন রাকেশ গুপ্তনা হায়খি, ভিলেজ অসিদা থুংবদা অঙকপা পোকখি। মফম অসিদা ফংফম থোকপা খুদোংচাবশিং ফংবগা লোয়ননা শিজিন্নবা হৌরে। রিওগী খোঙচৎ অসি শাংলবা খোঙচৎ অমনি অমদি ঐখোয়গী নুপামচা অমদি নুপীমচাশিংনা মফম অসিদা অফবা পাফোর্মেন্স পীবা ঙম্নবগীদমক মাঙজৌননা মফম অসিগী ঈশিং-নুংশিৎকা চাশিন্ননবগীদমক থুংখ্রবনি হায়না ফোঙদোকখি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইন্দিয়ন টিমশিং হরাউ তয়াম্না ওকপগী থৌরম অমা ওফিসল ওইনা গেম ভিলেজদা পাঙথোক্কনি। থৌরম পাঙথোল্লবা মতুং শরুক য়ারিবা টিমশিংগী লৈফম নীংথিনা শেম শাদুনা শিন্নগনি। শান্নরোয় খরদি মাঙজৌননা ওলেম্পিক ভিলেজদা লৈরকখ্রবনি।

চীফ দি মিসননা মখা তারদুনা হায়, ঐখোয়গী এথলেটশিংনা তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংদা শরুক য়াগদবা টিম মেটশিং খঙনবা হৌরে। সিজন অসিদা মখোয়না চপ মান্নবা স্পোর্টসকী প্লেয়রশিংগা মখা তানা খঙনবগী খুদোংচাবসু ফংলগনি। মখোয়না ইন্টরনেসনেলগী প্লেয়রশিংগা খঙনবা ফংগদৌরিবা অসি খ্বাইদগী চাউবা খুদোংচাবা অমনি। তৌবতবু মখোয়না লৈগদৌরিবসি মতম খরখক্তনি। মখোয়গী ইভেন্টশিং হেক লোইবগা গেম ভিলেজ থাদোক্তুনা ইন্দিয়াদা হনখিগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

গেম ভিলেজদা আর্চরি টিমনা অহানবা ওইনা থুংখি, মখোয়গী মতুংদা এথলেটিষ্ট টিম, বোক্সর অমদি সুটরশিং থুংখি।

গেম ভিলেজদা থুংখ্রবা সুটরশিংগী মনুংদা লন্দন ওলেম্পিক্সকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট গগণ নরঙ য়াওরি। মহাক্না চেন সিংহগা পুনমিন্নরি।

নরঙনা হায়খি, ঐখোয় স্বিটজরেলন্দদগী থুংলখিবনি অমদি খোঙচৎ অসি য়াম্না শাংবা ওইখি। ওলেম্পিক্স গেমসতা শরুক য়াবা ফংবদা অপেনবা পোকই অমদি হৌজিক ঐখোয়না শান্নগদবা ইভেন্টদা মিৎয়েং থম্বা হৌরে হায়না ফোঙদোকখি।

অয়াম্বা ইন্দিয়াগী মেম্বরশিংনা গেম ভিলেজদা লৈরিবা প্লাজা অমদি তোঙান-তোঙানবা ট্রেনিং তৌফমশিংদা চত্তুনা মতম লেল্লি। রিও ওলেম্পিক্সকী গেম ভিলেজ অসিদা বিল্ডিং ৩১ লৈরি। হায়রিবা বিল্ডিংশিং অসিদা এথলেট অমদি ওফিসল পুন্না লিশিং ১৫ না লৈগনি। মসি অপীকপা মিনি সিটি অমগুম্বনি। মসিদা তঙাই ফদবা খুদোংচাবশিং য়াওনা জিম, পোলি ক্লিনিক, ইন্টরটেন্টমেন্ট সেন্টর অমদি চাউরবা দাইনিং হোলশিং লৈরি। রেসিদেন্সিএল বিল্ডিং পুম্বদা ৱাই ফাই অমদি ইন্টরনেটকী খুদোংচাবশিং পীরি।

ভিলেজদা লৈরিবা এথলেটশিংনা মখোয়গী অপাম্বা পুন্নমক ফংহল্লি। তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী এথলেটশিং বিল্ডিং মমাঙদা মখোয়গী লৈবাক্কী মমিং চাউনা য়েকপদা নত্তনা ফিরালশিং থেৎতুনা মখোয়গী লৈফমশিং তাক্লি।

হন্দক্কী রিও ওলেম্পিক্স অসিদা রিফ্যুজিগী টিম অমসু শরুক য়াগনি। মখোয়না আই ও সিগী ফ্লেগ মখাদা শরুক য়াগদবনি হায়রি।

# ইন্দিয়াগী আর্চরশিংনা রিও গেমসতা মেদল লৌদুনা ওলেম্পিক্সকী পুৱারী শেম্নবা মাঙদা মীৎয়েং থল্লি



ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩১ ঃ

ওলেম্পিক্সকী ফম্পাক্তা ইন্দিয়ানা ঙসি ফাওবা আর্চরি মশান্নদা মেদল অমত্তা লৌবা ঙমদনা লাক্লিবা অসি ওগষ্ট ৫ দগী হৌগদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসতা মেদল লৌবা ঙমদুনা অনৌবা ওলেম্পিক্সকী পুৱারী অমা শেম্নবা মাঙদা মীৎয়েং থল্লি।

মালেমগী ওইবা আর্চরিগী ফম্পাক্তা ইন্দিয়ানা চাউরবা মফম কন্দুনা লাকখ্রবসু ওলেম্পিক্সতদি মেদল অমা ফাওবা লৌবা ঙমদনা ঙসি ফাওবা লাক্লি। লাক্লিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা ইন্দিয়াগী আর্চরশিংনা তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিন খরদা য়ামদ্রবদা মেদল অনী ফাওবদি লৌবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন দোলা বেনর্জিদা থাজবা লৈরি।

হৌখিবা কুমজা ২০০৪ গী এথেন্স ওলেম্পিক্স গেমস অমসুং কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং ওলেম্পিক্স গেমসদা দোলা বেনর্জি য়াওবা ইন্দিয়াগী নুপী আর্চরি টিমনা মেদল লৌনবা অকনবা ফিরেপকা লোয়ননা চঙশিনখ্রবসু খোঙফম অনীরক্তা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌদুনা মেদলগী আশা অদু তামখি। অদুবু লাক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসদদি য়ামদ্রবদা মশান্না অসিদা মেদল অনী লৌবা ঙমদুনা অনৌবা পুৱারী শেমগনি হায়বগী থাজবা অদু দোলাদা লৈরি হায়রি।

কুমজা ২০০৪ গী এথেন্স ওলেম্পিক্সতা রাজ্যভর্ধন সিংহ রাথোরনা দবলস ট্রেপ্তা সিলভর মেদল অমা লৌবা ঙমখিবা অদু নৌহৌননা নিংশিংলদুনা দোলা বেনর্জিনা ফোঙদোকখিবদা রাজ্যভর্ধননা লৈবাক অসিদা শুটিংগী অনৌবা মায়ওন অমা পুরক্লমখি অমদি মদুগী মতুং কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং ওলেম্পিক্সতা অভিনাব বিন্দ্রানা মহাক্কী মশক থোকপা পাফোর্মেন্স উৎখিদুনা লৈবাক অসিগী মাঙজিল থানা গোল্ড মেদল লৌদুনা পুৱারী শেমখি। অসিগুম্না ওলেম্পিক্সতা মেদল অমা লৌবা ঙম্লবদি লৈবাক অসিদা আর্চরিগী অনৌবা মায়ওন অমা পুরকপা ঙম্বদা নত্তনা তুংগী জেনরেসনদা মশান্না অসিদা য়াম্লবা শান্নরোয়শিং থোরকপদা মতেং ওইগনি হায়বা ৱাফম থমখিবনি।

কুমজা ২০১২ দা লন্দন্দা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক্স গেমসদা মালেমগী মকোক থোংবা মফমদা লৈখিবা দিপিকা কুমারি য়াওবা নুপীগী টিম অমদি মালেমগী মরিশুবা মফম কনখিবা ইন্দিয়াগী নুপা আর্চরি টিমসু গেমস অদুদা মেদল লৌনবা অচৌবা আশা অমগা লোয়ননা চৎখি অদুবু আর্চরশিং নাশিল্লকপদগী মায় পাকপা ঙমদনা হল্লকখিবনি।

মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক অদুনা তুংগী পড়া ওইহৌদুনা লাক্লিবা রিও ওলেম্পিক্সতদি অশোয়বা অমত্তা য়াওবা তৌদনা অকনবা চেকশিন-থৌরাংগা লোয়ননা হান্ননা রিওদা থুংদুনা মফম অদুগী অঈং অশাগা চূশিন্ননবা শেম শাবগী থবক চঙশিনবা হৌখি।

হৌজিক রিওদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী নুপী আর্চরি টিমদা মণিপুরগী লাইশ্রম বোম্বেলা, দিপিকা কুমারি অমদি লক্ষ্মীরাণি মাঝিনা য়াওরি। মখোয়না রিওদা ইন্দিভিজুয়েল অমদি টিম ইভেন্টতা শরুক য়াগনি। অদুগা নুপাগী ইন্দিভিজুয়েলদনা অটানু দাসনা শরুক য়াগনি।

ইন্দিয়াগী নুপী আর্চরি টিম অসিগী মমাঙ চহীগী জুলাই থাদা কোপেনহাগেনদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড আর্চরি চেম্পিয়নশিপ্তা জর্মনিবু রাউন্দ ওফ সিক্সটিন্দা মায়থীবা পীদুনা রিওগী ক্বালিফাই ওইখিবনি।